# য়েৎনবা লৈতনা মীতৌ তন্বা তোক্লসি - ১

ৱাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লুৱাং

*চপ* মান্নবা পোৎশক/হীরম অমদা য়েৎনবসিগী ওইথোকপা য়াবা মরম খরদি লৈগনি। মরু ওইবদি মশাগী (লন্নাইগীদা শোক্লগনা)/অপূনবা খুন্নাইগীদা শোক্কদবা ওইরগনা, য়েৎহৌদ্রগদি হেন্না অরানবা মওং অমদা চৎখিগদবদগী থিংহৌনবা /অকোনবগী খুদমদা, জুকো ভেল্লিবু নাগালেন্দগীনি হায়বা, লোক্তাক পাৎপু নাগালেন্দদা লৈ হায়জিনবা, কাশ্মীরবু পাকিষ্টানগীনি হায়না মেপ্তা য়েকশিনবা অসিনচিংবা য়েৎনবা ওইহল্লগুমসি হায়রগনা পূন্না ফম্মিন্নরগা ৱাখল তানা খন্নরগা য়ানবা পুরক্লগা শেংদোক শেংজিন তৌনবসিনি। করিগুম্বা মতমদা মীশক অমনা করিগুম্বা পোৎশক/হীরম অমগী মতাংদা মশাগী অপাম্বা অনীংবা ৱাখলনা মাঙওইনরগা ইরুবদু/হায়রুবদু অনীশুবা/অতোপ্পা মীশক অমনা খরা য়ানীংদবা ৱাফম য়াওবদগী (মদুসু অকোনবগীসিনা মশাগী চুমই হায়না নাপলগা লোয়ননা খঞ্জবা/থোইনা কান্নগদবা মরমদি নত্তবিদা অপাবা খরদদি/মমৈদদি ইকায়খাংদগী কঙ কোত্তুনা চায় হায়বগী মওংদা অনীমক অখঙ-অহৈ শানদুনা অঙম তান্নবা থোরকপসিনি। লানবা চুম্বনা অমনি, মদুদা য়েৎনবা হৌই হায়না লৌবা য়াবদি অখন্নবা মান্নবা মরম অমগা লোয়ননা মীঙোন্দা মশাবু শক হেন্না খঙহন্নীংবা ৱাখল অমদগী ওইরমগদ্রা হায়বসিনি। লন্নাই লন্নাইগী ওইবা মরমদা কান্ননবা/মীংচৎ ফংলগা শেল ফংনবা নৎত্রগদি মীয়ামদা য়েৎনবদু উৎথোকপা কান্নদব্রা হায়বসিনি। ইচম চম্বা মরম হায়ববু অতোপ্পা অহুমশুবা মীওইশিং (থার্ড পার্টিশিং) না থোইনা তানীংবা/খঙনীংবা/পানীংবা পোক্তবদুগী ৱানি।

য়েলহৌঙৈদগী য়েলহৌমী ওইনা লৈরক্লবশিংগী চারোল শুরোলশিংগী মরক্তসু অদুম য়েৎনবা খরদি থোক্লি। থোক্লিবশিংগী মরম করিগীনো হায়বদা মীরমগী খূৎ চঙশিল্লকপদা ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ৩০০০ রোমগী মনুংদা পানখিবা মৈতিংঙু খরগী মশা-মশাগী ওইবা মরমদগী মীরম লাইনীং পামশিল্লুবদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। করম করম্বা মওং ওইবা মৈতিংঙুশিংনা হান্না কৌরমদবা ইরমদম - চীংনা কোয়শিল্লগা ময়ায়দা পিক্লা থেল ওইনা লৈবা অপূনবা ইরমদমসিগী মমিংসু অওৎ-অপা শাবা ময়াং মচা অমনা হায়বদা পংথরুবগা লোয়ননা ঈনাৎকী লাইনীং লাইশোনগী চৎন-কাঙলোন খঙলিবদুগী মথক্তা হেন্না থিজিল্লগা চাওখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীরম লাইনীংগী চৎন-কাঙলোনগা ইতোৎ তোৎশিন্নরগা শামরক-ঙামরক ওইনা শেমদোক-শাদোক্লগা চাওখৎনবা হোৎনবদসু ময়াংগী অশেংবা লমদসু মরিং-মরাংবা ওইনা ময়াং মচানসু ঙক্লা খনবা অদুগা মতম অমদা হাৎকে-তুপকে ঙমখিবা মৈতিংঙু খরগী মতমদদি পাম্নদনা পাম্বা শাশিন্নরগা চৎনরকখিবসি হৌজিক্তদি 'মৈবু ফিনা কুপ্তুনা/খুমদুনা থম্বা য়াব্রা' হায়বদুগী অশেঙবা ফীভম/থৌদৌ ওইনা 'মৈশেংবু কুপ্লম্বা/খল্লম্বা ময়াং ফিগী মায়খুম নোংমা নোংমগী খজিক-খজিক চাকথেক্তুনা মতম খরগী মতুংদদি পুমচাক চাকথেকখিবা য়াবগী মতমদু ওইরক্লবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই।

হৌরক্লোন্দদি পরিং চুম্না লাক্লম্বসি ঈমাং ওইরমগনি হায়নখিবা অদুঙৈ ইপু খোংনাংথাবনা নিংথেম হায়না মিংগৌনখিবা মৈতিংঙু অমনা মশাগী মপোৎ অশেঙববু অশেঙবনি, তুংগী লন ওইগদবনি খঙজবা ঙমখিদবদগী মীরম ময়াংগী থৌইনশিন্দগী মৈগী অশি পোৎলোইবগী মওংদা মৈদা অয়াম্বা থাদোক্তুনা মাঙহনখিবদগী ঐখোয় ইশেনগী মরক্তা, অতোপ্পা ফুরুপকী মমাঙদা, য়েৎনবা ওইহন্নবগী মরূ হুল্লকখিবনি হায়বসি মীয়াম্না থোইনা হেন্না খঙনরবনি। খুদম, মীতৈ/মৈতৈ অনীগী মরক্তা মী-গা; মৈ-গা মীমাংদা তোঙানবা মানবা মওং অমা উবা মাল্লবসু অনীসি হৌরকফম অমত্তনি। মসিদা খজিক্তং য়েৎনবা হায়ববু -মীতৈ/মৈতৈ ইনাৎ ওইবগা মীতৈ/মৈতৈ মীরম লাইনীং চৎপগা অনীসিখক্তনি। ঈনাৎকী মরু ওইবা লাইনীংগী মতাংদদি সনামহী লাইনীং/পাখংবা লাইনীং/অপোকপা লাইনীং - খেন্নবা থোয়না লৈতে - লোয়নমক ঈনাৎ-লাইনীং চৎচবা মক্তনি অদুবু খুন্নাইগী পামজবা চৎন-কাঙলোন্দা খজিক খরাক খেন্নবা লৈবতনি হায়নীংই। মসিদি মীরমগী লাইনীং খুদিংদসু অদুম থোকই। খুদম, খৃষ্টিয়ানশিংগী মরক্তসু কেথোলিক, প্রোটেষ্টেন, মুসলমানশিংদসু - সিয়া, সুনি, হিন্দুদসু মফম অমদা রাম নীংবা, রাধা-কৃষ্ণ নীংবা, শিব নীংবা, হনুমান নীংবা, কালি ইমা নীংবা অসিনচিংবা অদুবু মাগী মাগী মপূং ওইবা লাইনীংদি অমত্তনি হায়না লৌবা অদুগুম্বনি ঈনাৎ-লাইনীংগীসু - 'সনামহী লাইনীং' হায়রগা অপূনবা লাইনীং ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু শক খঙলবা লাইনীং অমা ওইরবা/অইবা ইশাগী চহী ৬৯-৭০গী মনুং ওইরিবসিগী মনুংদা ৱাখল খরা তারকপদা মশীং কয়া য়াম্লমদ্রবসু মতমদুদা 'সনামহী লাইনীং চৎপনি' হায়না লৈরকপা অদুম খঙলকখি। মতমদুদদি ইপুবোক-ইবেনবোক-অহল লমনশিংসু মীরম লাইনীং চৎনরম্বনা সনামহী লাইনীং চৎপা ইমুং/মীশিং লৈকায় অমদা পংয়াম য়াম্লমদে। হায়বদি অইবসু করিনা-করিনো খঙফাৎতনা অহল-লমনগী মতুং ইল্লগা ইমুংদুদা চৎলম্বগা অদুম মীরম লাইনীংসি চৎনরম্বগী ৱানি/ফীভমনি। ঙসিদগীনা চহী ১৫-২০সিগী মরক্তনা অহল-লমন, শাগৈ-নাতৈনা করি খনখিগদগে খল্লম্বদু ঈনাৎকী অশেঙবা লাইনীং লাইশোন নত্তে হেন্না নোংমা নোংমগী খঙলকপদগী, তৌরুবা শিনফমগা মরী লৈনরকপদা ঈনাৎ-লাইনীং পামজবা কাঙবুগী মশীং হেনগৎলকপদগী লাংফম ফৎলমদবা, ফৎলোইদবা চহী মতাং য়াওরকপদা 'ঙাক্লৌ/প্রটিকার' দি ঈনাৎকীদা ওইনা থৌরম পাংবা য়ানবা ইবিয়ু হায়রকপদগী - মতম কৌবী লাইরেম্বী ইমাগী শিন্থা ওইনবা শিনবীরকপা ওইবনা ইবসু ঈনাৎকীদা ওইনা ইরে, থৌরমসু ইশানা ঈনাৎকীদা অখঙ-অহৈশিং তানরগা থৌরম পাংবা হৌরে। ইশাদা নুংঙাইজবা অমসু হেন্না হেন্না ফাওরকপগী মরু ওইবা মরম খরদি - মৌ মীয়াইদগীনা মশাগী চহী ৫০/৫৫ শুরক্লবী কয়া অমসু হান্না মীরম লাইনীংগী ঈশৈ শক্লম্বনি, হৌজিক্তি তোক্লগা ঈনাৎকী ওইবা থৌরমশিংগা মরী লৈনবা ঈশৈ শকপা হৌরক্লে। ইশাদা নুংঙাইজবা ফাওই হায়বা মশীং য়ামখৎলকপসিনি। মতাং চানা ফেনজিনবদা ঐ ইশাগী ওইনসু মীরম লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইগী পালি নুমিৎ খরা পুরম্বা লৈম-শিজ হায়রগা মতম অমদা অৱাংবা থাক্তা খন্নরম্বা ইমুংদগী হৌরকপী ইমা অদুগা ইপারোমগী মায়কৈদনা মীরম লাইনীংগীদা মতমদুগী খুন্নাইনা শক খঙখিবা অদুগুম্বা ইমুং অনীগী মরক্তা চাউরকখিবনি। অদুবু শাংখ্রবা চহী ৪০/৫০ খরা হেনবসি খুমাঙ চাওশিন্দনা লাক্লম্বদগী হিন্দুগী লাই তোংবী মশাদি নুপা ওইবা অমনা ঐ ইশাসি ঈনাৎকী লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইশিংগী থৌজাল পীবিনবা তাঞ্জাদু লাক্লে হায়বগা অচুম্বা ওইরকখিবদগী মীরম লাইনীং থাদোক্লগা (শাগৈ নাতৈগী য়েংলগা খরা খজিক্তি ঙাক্লগা) চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরামঙাগুম্বদি ঈনাৎ-লাইনীং চৎলকপদা ইশাদা নুংঙাইবা ফাওরকখি। অদুনা ঐ ইশানসু পামজবা ঈনাৎ-লাইনীং চৎলক্কনি হায়না হান্না লাইফাও তৌবিরকখিবা হিন্দুগী লাইনুপী তোংবী মশাদি নুপা ওইববু হন্না হন্না থাগৎখি। মসিনি 'মীনা খনবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা' হায়বদু খঙলকখি। হৌজিক্তদি হান্না মীরম লাইনীং চৎলিঙৈদা লান্না থমাইবিবগুম্না তৌরম্বশিংদু কোকথোক চামথোক্তুনা শেংহনবগুম্না মীরম লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরম-শাগৈ নাতৈ, খঙন-চান্নবশিংগী ময়ূমদা পাঙথোকপদু চৎত্রবদি নুংঙাইখিরোইদবদুগীদমক খল্লগা চৎপদা ইশাগী ওইবা মওংদা কায়দনা তৌবা হৌজরে। মদুদা কনাগুম্বনা খঙনীংনা হংলকপদা মদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনসি লৈবননি হায়জবদা মশা মীরম লাইনীং চৎপা ওইরম্লবসু - মসিদি ফৈ, হান্না ঐখোয়না খঙদনা তুং পংইন-ইল্লম্বসিদি ফরমদ্রে হায়না তুংদা থেংনবদা হান্নগী চৎনবীদু থাদোকপা হৌজরে হায়বগা লোয়ননা থবক ওইনা অশেঙবা পাঙথোকপদু উবা য়াওরে। মসিদনি হেন্না নুংঙাইজরিবদি। মখা তাবদি ঐ ইশানসু হায়জিন্দে। খঙনীংনা অমুক হংলক্লবদি ফজনা অখঙবমখৈ তাকপীরমই।

অসুম্না ঈনাৎকীদা থৌরম তৌজরকপগী নুংঙাইজবা অমদি বামোন ইমুং খরগী ময়াম্না কোষ্ঠি য়েংবা হায়নবসি য়েংবা লাকপগী য়েংবদা (দষা) লাংফম ফত্তবা য়াওরম্বদা করম্না ঙাকথোকপা ঙমগদগে/ফগদগে মদু ওইনা তাকপীয়ু হায়বসিসু হায়রকপদা মরম সিসি লৈ হায়রুবদা করিসু কায়দে - ইশা শোয়দা-ঙামদ্রগা লোইরে হায়রকপদগী শঙলেন লাইগীদা খুরুম খাজংবা তৌহনবা/থৌনিহনবা, তঙাইফদ্রগনা ইপানা থৌরম পাংবিয়ু হায়বদগী বামোন খরগী ইমুংদা চৎলগা ঈরাৎ-থৌনিগী থৌরম পাংলুবা লৈখ্রে। মসিগী খুদম হায়ববু লায়না লায়ওং অমগীদমক লাইনীং-লাইশোন মান্নদ্রবসু ফরবদি হায়বদি ফনীংবদগী চৎপদা থোইনা য়েৎননীংঙাই ওইদব্রা হায়বসিনি। হিন্দুগী পোৎ- খৃষ্টিয়ানন-মুসলমাননা শীজিন্নরোই, অসুম্না অখঙবা অমগী মথৌ তাবা পোৎ শীজিন্নরোই হায়রবদি মশা মশাগী মফম-মতম ফীভমগী ৱানি হায়না থমজগে। মসিদা অদুম মপূং ওইনা চৎতুনা মতৌ তম্নবা হায়বগী ৱাফম নত্তবনিনা থোইনা য়েৎননীংঙাই ওইদব্রা হায়বসিদি মরী লৈনবা মশা মশাগী ৱারেপ ওইজগদবনি হায়না থমজগে।

# চৈরাওবা অনী থোক্লগুমসি

খাঙেম্বম নিলমনি

*ঐখোয়গী* মৈতৈ খুন্নাইসিবু অনী থোকপীগী হৈনবী/চৎনবী অসি করম্বা মতমদা লোইগদৌরি? অসুক কুইরবা চহী ৩০০-৪০০গী মমাঙদগী ময়াং লম্বোইবা অমনা মৈতৈ খুন্নাই অসিবু মরূ ফংনা মুখৎনবা, অনম-অহা চুননবা থমাইশিন্দুনা কংলৈ খুন্নাই অসিগী চৎন-কাঙলোন, হরাও কুম্মৈ, থৌদোক-ৱাথোক কয়া, লাইগী-তীলগী পূম্নমক থমাইশিন্দুনা থম্বীরম্বদগী হৌজিক্তা কুনমাথোইশুবা চহী চা অসিদা মীৎ-মায় পাংবা খরা খরা হৌরকপদা ঙাইহরি হায়বা য়াই। মুৎলুরগদবা পাম্বীগুম, কাঞ্জুলদগী ময়োন খজিক্তং চোঙখৎলকপগুম, তনিক-তনিক ইপানাৎ-ইপুনাৎতা ঐখোয়গী ওইবা থৌরম থৌদা পাঙথোকপা হৌরকপসিদা, ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা পাঙথোকমিন্নবা য়াবা থবক থৌরম কয়াবু অদুনি-অদানি হায়দুনা অনী থোকপীগী চৎনবী অমা কন্না তৌখৎলক্লিবা অসি তৌহঞ্জনীংদে। শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা অসিদা নুমিৎ শুই-শুদে হায়না কন্না য়েৎনবদৌনা তৌবসি তৌবীগনু হায়না ইকোক নোন্না হায়জরি। মসিদা নুমিৎ শুই-শুদে হায়দুনা তুকা থিনবগী করি মথৌ তারিবগে? মৈতৈ ঐখোয়দি মীগী ওইরো, লাইগী ওইরো (পোকপা-শিবা নত্তনা) থবক থৌরম অমা তৌবা মতমদা থবান্দা ওইনা লোইনা তৌনৈ, তারিখতা চৎনদে। য়ূমগী উরেপ-উয়ুং তম্বা, লুহোংবা, নাহুৎ-নারেং তৌবা, য়ূম শঙ্গাবা, অঙাং চাক-উম্বনচিংবা থবক থৌরম কয়াদা নুমিৎ অফবা, থবান অফবা য়েংলগা তৌনৈ। অফবা নুমিৎ-থবান তৎনদবা, লাইগী লাইচা য়েংলগা তৌনবা ঙাক্তনি। কালেন থাগী হুমনি পানবদা চহী খুদিংগী ইবুধৌ মোইরাং থাংজিং হরাউ কুমদম্বা হৌই, মসি চহী কয়াগী মমাঙদগী তৌদুনা লাক্লি, তৌরি অমদি মতুংদসু তৌখিগনি।

নুমিৎকী খোঙচৎ (সোলর য়র) গা থাগী খোঙচৎ থবান (লুনর য়র) গা চপ মান্নৌ হায়বা খক য়ারোই, য়াম্না তাঙনা থোকপা মতাংদা থবানগা তারিখকা মান্নবদি করিগুম্বা মতমদা য়াওবা য়াওই। য়াওরবসু অয়াম্বা মতমদা থবানগা তারিখকা মান্নদে। মৈতৈ ঐখোয়গী লাইগী ওইবা থবক থৌরম অমদি মীগী ওইবা থবক থৌরম হরাউ কুম্মৈ অয়াম্বা থবানদা লোইনা তৌনৈ। থবানগী মতুং ইন্না তৌনবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনা হায়ববু, শজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবা, তরেৎনি পানবদা কোংবা ইথোং ফাৎপা, শজিবু লৈখুন ফুনবা, কালেনগী হুমনি পানবদা ইবুধৌ থাংজিং হরাউবা হৌবা, ইঙাগী থানিলদা সনামহীগী চেঙ হোংবা, মেরাগী নোংমা পানবদা মেরা চাওরেল হৌবা, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা নিংঙোল চাক্কৌবা, ৱাকচিংগী তরানিথোইনি পানবদা ইমোইনু অহোং অচাওবীগী ইরাৎ থৌরম, ৱাকচীংগী থানিল (১৫নি পানবা) দা অয়াঙ লৈমা কবোক চাইবা, লমতাগী থানিল (১৫নি) দা য়াওশঙ অসিনচিংবা অসিনি। (চহী অমগী মসিনা লোইবা নত্তে, চিংখবা কয়াসু য়াওরমগনি, চিংখবা য়াওরবসু মদুগীদমক ঙাকপীগনি।)

হায়রিবা কুম্মৈ-ফিয়োংশিং অসি পাঙথোকপা মতমদা মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা অদুগা কুমসি চহীদা পাঙথোকপসিগা নুমিৎ শুদে হায়দুনা পাঙথোক্তবা য়াওখ্রব্রা? চহী অমা হায়বসি নুমিৎ ৩৬৫ নৎত্রগা নুমিৎ ৩৬৬ (লিপ য়র লৈবা লৈতবগী মতুং ইন্না) নীনা শাই হায়বসিদি অঙাং মচা অমনফাওবা খঙনরবা ৱাফমনি। মসিদা চহী অমদা নুমিৎ ৩৬৫নি নৎত্রগা নুমিৎ ৩৬৬নি শুই-শুদে হায়দুনা শজিবু চৈরাওবদদি কন্না হেক্তা য়েৎনরি। খুদম অমতং হায়জরবদা, মৈতৈ ঐখোয়গী চাউরবা কুম্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবা হায়রিবসি হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা চহী খুদিংগী পাঙথোকই। হৌখিবা কুমজা ২০১৬তা চাক্কৌবা নবেম্বর ১দা তাখি, কুমজা ২০১৭তনা ওক্টোবর ২১দা তাখি, কুমজা ২০১৮দনা নবেম্বর ৯দা তাখি। হন্দক কুমজা ২০১৯দদি ওক্টোবর ২৯দা তারি । হায়রিবা নিংঙোল চাক্কৌবা অসিবু কনা অমত্তনা চহী মপূং ফাদে, নুমিৎ শুদে হায়দুনা মৈতৈ ইমুং অমত্তা চাক্কৌনদবা য়াওব্রা? কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ১দগী কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ২১ ফাওবসি চহী অমা মপূং ফারব্রা? অদুগা অমুক কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ২১দগী কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ৯ ফাওবসিনা হেল্লিবা নুমিৎ, কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ৯দগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২৯ ফাওবসিবু নুমিৎ মশীং হেল্লি হায়দুনা চাক্কৌনখিদব্রা নৎত্রগা চাক্কৌনরোইদ্রা?

অদু ওইবা তারবদি মৈতৈ হায়বা কাঙলূপ অসিগী থৌরম থৌদা খুদিংমক থবান্দা পাঙথোকপনীনা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবদা করি অকায়বা লৈবগে? মসিনা মৈতৈগী চৈরাওবা/গৌড়গী নৎত্রগা হিন্দুগী চৈরাওবা হায়নবগী মহুত্তা অমত্তা ওইনা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবদি করি অকায়বা লৈবগে? শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবদদি নুমিৎ মশীং শুই-শুদে হায়দুনা কংয়েৎ হেক্তা ময়েৎলি। অখঙ অহৈ কয়ানা অতোপ অতোপ্পা হৌরকফম কয়াদগী রিফরেন্স লৌরগা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা নুমিৎ শুদে, এপ্রিল ১৩/১৪দদি চহী অমগী নুমিৎ মশীং চপ চানা শুই অদুনা এপ্রিল ১৩/১৪দা চৈরাওগদবনি হায়দুনা হায়বা কাঙবু অমসু লৈরি খুন্নাই অসিদা। খুদম ওইনা হায়রবদা, কুমজা ২০১৬কী গৌড়/হিন্দু চৈরাওবা এপ্রিল ১৩দা তাখি, কুমজা ২০১৭তদি এপ্রিল ১৪দা তাই, কুমজা ২০১৮, ২০১৯দসু এপ্রিল ১৪দা তাই। অদুগা কুমজা ২০২০দদি অমুক এপ্রিল ১৩দা তাগনি। এপ্রিল ১৩/১৪ হায়বদুদি সোলর য়রদা পাবনিনা লিপ য়র লৈরগনা এপ্রিল ১৩, লিপ য়র লৈত্রগনা এপ্রিল ১৪ চৈরাওবা তাগনি। মদু সোলর য়রগী চহী অমা (ৱান য়র) মপূং ফাবগীনি। মৈতৈ ঐখোয়গীদি থবান্দা (লুনর য়র) দা পাবনিনা চহী অমগী অরোইবা থা লমতা থা হেক শিখিবগা মথং নোংঙানবা, চহী অমগী অহৌবা থা শজিবুগী নোংমা পানবদা চহী হৌরে হায়দুনা চৈরাওনরিবনি। মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিদি লাইগী-তীলগী ওইরো, ইমুং মনুংগীবু ওইরা করিগুম্বা থবক থৌরম অমা তৌবা মতমদা সোলর য়রগী তারিখ য়েংনদে, করি থাগী করি থবান্দা অফবা ওইবগে হায়না য়েংনৈ।

কনাগুম্বা ইমুংগী মীওই অমনা লৈখিদবদা কালেন থাগী কুনমঙানি পানবদা লৈখিদবা অদুগী চহীগী কুমওন (ফিরোই) অদু মথং চহীগী থা অদুমক্কী, ইঙা থাদুমক্কী থবান অদুমক্কী তারকপা তারিখ অমদা পাঙথোকনৈ। মসিবু তৌনদবরা? লোইনমক তৌনরমগনি। অদুবু চৈরাওবগী মতাংদদি চহী ফাই-ফাদে, নুমিৎ শুই-শুদে হায়না হেক্তা মহায়নৈ। মসিদা তুকা থিনবগী করি মথৌ তারিবগে? দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী মনুংদা তিল্লুরবনিনা ঐখোয় পূম্নমক দেমোক্রেসিনি ঐনা ঐনা অপাম্বা তৌবদা কনা অমত্তনা অয়েৎ-অপন পীরোইদবনি। তৌবগীবুদি, ঐখোয় মৈতৈ হায়বা কাঙলূপ অসি কাঙখুল মুৎখিগদ্রা হায়দুনা মীপাইনরিঙৈ অসিদা অনম অহা চুবা, মীতৌ তম্বগী থবকসি ঐখোয়না ঙাকচদ্রবদি অৱা কনা লাক্লগা ঙাকপীরগনি? ঐখোয়গী খুন্নাই অসি চহী চা কয়া অমা অনম অহা চুদুনা তূম্লুরবসু, হৌজিক্তি মীকপ থোক্লসি, মীতৌ তম্বা তোক্লসি হায়জবনি, মসিদা লান্না খন্নবগী মচাক য়াওজদে। লমগী ষণনা মচি শাংবা হেল্লি হায়নবগুম মীতোপ মীরমগী মতৌ তম্বা, মীতোপকী লাইনীং-লাইশোনবু ইশা ইশাগীসু নত্তবা চৎনবীদা থৱায় হকচাং লুপ্লগুমসি, ইশা ইশাগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না থবক থৌরম পাঙথোকমিন্নরসি। অমনা অমবু নঙদি অদুনি, অদানি হায়দুনা হুন্নবগী মহুত্তা ঐ-ঐগী য়েক সলাই লৈজরিবা ইয়েকচা খ্বাই পূম্নমক্লা ঐ-ঐগী হৌরকফম শাৎফম খঙমিন্নরসি। য়েক তরেৎ (১) মঙাং (২) লুৱাং (৩) খুমন (৪) অঙোম (৫) মোইরাং (৬) খা-ঙানবা (৭) সলাই লৈশাংথেম লৈ হায়রিবা মৈতৈ খুন্নাই অসিগী মচা মশু ওইরিবা ঐখোয়গীদি শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিদা ওইনা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোকমিন্নরসি। অদুগা য়েক সলাই মফম মরাং খঙদবা, য়েক সলাই লৈজদবশিংগীদি মখোয় মখোয়না পামজবা নুমিৎ, থাদা তৌজসনু, মদুদা ঐখোয়না নখোয়না অদুম্না তৌরবদি লাল্লি নৎত্রগা চুম্মী হায়না তুকা থিনরগুমসি। নুমিৎ মশীং শুই-শুদে হায়দুনা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবদা য়েৎনরগুমসি। মৈতৈ অমা ওইনা ঐগী-ঐগী য়েক সলাই লৈজরবদি, য়ূম্নাক শাগৈ খঙজরবদি ইপানাৎ, ইপুনাৎকী ওইবা চৎন-কাঙলোন ঙাকফম থোক্তব্রা?

অরোইবদা হায়জনীংলিবা ৱাফমদি, মৈতৈ ঐখোয় মশেল অমুক্তংদি পূনশিন্নবা তৌরসি। অনী থোকপীগী চৎনবী অসিদি থাদোক্লসি। চহীগী অহৌবা থা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোকমিন্নসি, নুমিৎ শুই-শুদে হায়নরগুমসি। নুমিৎ-থা মালেমগী খোঙচৎনি, ঐখোয়না হাপচিল্লুবা নৎত্রগা লৌথোক্লুবা য়াবা নত্তে।




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।